HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাও



পেলেস কম্পাউন্দগী মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা গভর্ণরনা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দস, ২০২২ য়েন্থোকখিবা

ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা তেংবাঙ পীখ্রে
☛ লামায় ২

পাউখুম চে শেগাইবা য়াওনা এগজামিনেসন থাহন্দনবা হোৎনরম্লে
☛ লামায় ৩

নুংঙাইবা-থিরুবদা ফংগদ্রা?
☛ লামায় ৫

সেদ্যুল লেংগ্বেজদা চল্লবা লোলশিং চাউখৎনবা থবক পায়খৎলকপা লৈত্রি
☛ লামায় ৬

ভারত বিকাস পরিষদ মণিপুর প্রান্টনা সেবা ভারতি অমসুং এন এম ওগা খুৎশম্নদুনা খাবি হীদাক শুংফম য়ুথ ক্লবতা এনেমিয়া মুক্ত ভারতকী মখাদা ফ্রী এনেমিয়া স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখিবা



Vol. 46, Issue No. 017 | নোংমাইজিং, শজিবুগী ৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, April 10, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# রুরেল এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী হান্নগী চীফ এঞ্জিনিয়র ১সুং এদিসনেল চীফ এঞ্জিনিয়র হায় কোর্টতা লাক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ অমা ওইবদগী লোগী মতেং লৌদুনা অচুম্বা ৱায়েল চথবীনবা ৱাকৎনরকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ৱাকৎশিং লৌখৎলগা ত্রাইএল চথদুনা পীরকপা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর/দিরেক্সনবু ৱাকৎশিং অদুগা মরী লৈনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংনা হেক হেক থৌওইদবা অমসুং ইন্দবগী মথক্তা কোর্টনা তৌবা য়াদে হায়বা ৱাফমশিং হেক্তা তৌশিনবগী থৌওং মখা তানা চথরকপগী মনুং চন্না কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা কন্টেম্পট কেস (সিভিল) অমগী ৱায়েলদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদস দিভেলপমেন্ট এজেন্সী (এম এস আর আর দি এ) গী রুরেল এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (আর ঈ দি) গী হান্নগী চীফ এঞ্জিনিয়র ওইরম্বা মীওই অমা য়াওনা আর ঈ দি অসিগী এদিসনেল চীফ এঞ্জিনিয়রবু কোর্টতা লাক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মখোয় অনীদা পীগদবা 'ক্বান্টম ওফ পনিশমেন্ট' গী অর্গ্যুমেন্ট চত্থনবা মতম লেপখ্রে।

**মখোয় অনীদা পীগদবা 'ক্বান্টম ওফ পনিশমেন্ট' গী আর্গ্যুমেন্ট চত্থরগনি**

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা লাক্লনবা খঙহনখিবা এম এস আর আর দি এগী আর ঈ দিগী হান্নগী চীফ এঞ্জিনিয়র অদুগী মমিং থোকচোম নন্দকিশোর কৌই। অদুগা এদিসনেল চীফ এঞ্জিনিয়র অদুগী মমিংনা পর্ন্টিশিং থাইমৈ কৌই হায়রি।

মখোয় অনীমক নোর্থ এ ও সীগী এ টি লাইনদা লৈরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সেক্যুওর্দ ওফিস কমপ্লেক্সকী মরিশুবা ফ্লোরদা লৈবা এম এস আর আর দি এগী আর ঈ দিগী ওফিসতা ফম্বনি হায়রি।

মখোয় অনীগী মথক্তা কন্টেম্প কেস (সী) নম্বর ১ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নর অদুগী মমিংনা এম দি ধিয়া উর রহমন খান কৌই। মশাগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২




## য়াইথীবী লৌকোনগী ৱাথোক্তা চত্থরকখিবা বন্দ পুং খরা কোমথোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ৪৪- য়াইথীবী লৌকোলদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাননবা লৌশিনখিবা লৌফমশিংদা মেগা ফুদ পার্ক শানবা হোৎনরকপা অমদি লৈঙাক্না লৌশিনখ্রে হায়রিবা লৌকোল অসি ফেন্সিং তৌশিন্নবা লৈবাক কোৎপগী থবক চত্থরকপদা সোরা চীং ৱাংমা লৈকায়গী মসজিদ অনী, লন্নাইগী মহৈলোয়শঙ অমা য়াওনা য়ূম কয়া নমদুনা লৌশিন্নবা হোৎনরকপা অমদি স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগীদমক য়োনবদা য়াওখিদে হায়রিবা লৌমীশিংনা লৈঙাক্না চত্থরক্লিবা থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা সোরাগী মীয়াম্না এন ঐচ -১০২ (ইম্ফাল-মোরে) লম্বীবু সোরাদা থিংবগী খোঙজং চত্থরকখিবা অদু ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০দগী হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মতম খরগী ওইনা কোমথোকখ্রে।

ঙসি সোরা চীং ৱাংমা লৈকায়দা লৈবা রুরেল ব্রাইটর একাদেমিদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা তুংদা পাউমীশিংগা উন্নরদুনা এম দি অবদুল গাফর কৌবা ৪৪-য়াইথীবী লৌকোলগী পাট্টাদার অমনা ফোঙদোরকপদা য়াইথীবী লৌকোলদা লৈরিবা লৈঙাক্তা লম য়োনবদা য়াওখিদ্রিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## লম খোপচিনবশিং তকথোক্লবা দ্রাইভ চত্থরগনি ঃ চীফ মিনিষ্টর

ইমুং লাখ ৫ রোমগী মীওই ১/১ শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা থবক পায়খৎলগনি



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) : গভর্ণমেন্টগী লম খোপচিল্লিবশিং তকথোক্লবা অকনবা দ্রাইভ চত্থরগনি। দ্রাইভ অসিনা অৱাবা তাদ্রিঙৈদা গভর্ণমেন্টগী লম খোপচিনবশিংনা মশা-মশানা খঙনা লম হন্দোকপীহৌরো হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোংবম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নোংথোম্বম বিরেননা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অনীরক ওইরকপগী য়ুম্লাম খুনৌদা লৈবা লাইনিংথৌ পুথিবা লম্পাক্তা তরাম্না ওকপগী পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা নোংথোম্বম বিরেননা মখা তারদুনা হায়, হৌজিক-হৌজিক য়াইথিবি লৌকোন্দা থোক্লিবা ইরাং অসি য়াম্না থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমনি। লৈঙাক্না পীফম থোকপা শেনফমশিং লম মপুশিংদা পীখ্রবা মতুং মখা তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌনবা হায়দুনা কেম্পস অদুগী অকোয়বদা ফেন্সিং তৌবা হৌবনি। অদুবু লম খোপচিনবশিং অদুনা অরানবা মওংদা ইরাং অদু শাগৎলকখিবনি। লৈঙাক্কী লম খোপচিনবগী থবক মখা তানা তৌবিরনু। ইশা-ইশাগী লৈজরিবা লমশিং অদুদা ঈংনা-চিক্না লৈবিয়ু। লৈঙাক্নসু মদুদা করিমত্তা অয়েৎ-অপন পীরোই। করিগুম্বা দিভেলপমেন্টগী থবক-থৌরমশিংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অস! লোইরেহে!**

- বাজি ঐ থবক তৌদ্রদি নুপী থিবা ফংলরোই।



- শেল পীজগে হায়রসু শেল চারোই হায়রি।

**HL Poll**

Q: Paona amasung Thangal keithelda gari khamhandabana traffic congestion thokhandaba ngamlagani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Yaithibi loukongi wathok leingakna athuba matamda yasinnaba puraknaba hotnafam thoktabra?

Yes 67% No 33%




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫